ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




ৱাংবলগী সোশল দিভেলপমেন্ট ক্লব (এস দি সী) লিংখৎখিবগী চহী ২২ শুরকপা মপোক কুমওন থৌরমদা এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমারনা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলভকী এগজামিনেশনশিংদা মীথোই মীহেল্লকপা মহৈরোয়শিংদা মনা পীখিবা


থম্মোয় পাউদম : ইরমদগী মীরমদা - ১৯ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ খূৎশেমগী ইলেক্ট্রোনিক আইনা উরমদ্রবা...

'মতিং লৈবা লৈঙাক অমা লৈবা চঙই' ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ নেসোগী জেনরেল কাউন্সীল মীটিংদা মণিপুরদা...

স্মোগকী খুদোংচাদবা থেংননবগীদমক দেল্লিদা... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ ঘরলক্ষমি ফুরাইলাতপমনা ব্রোঞ্জ মেদল...


সঞ্জেনবম শঙশাবী মখা লৈকায়দা লৈবা রিহার্সেল হোলদা ইন্সটিট্যুট ওফ মণিপুর পর্ফোর্মিং আর্টস (আই এম পি এ) গী ১২শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপদা আর্টিষ্টশিংনা পীখিবা পর্ফোর্মেন্স অমা





Vol. 49, Issue No. 204 | য়ুমশকৈশা, হিয়াঙ্গৈগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, October 29, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## জুন ১৮, ২০০১গী মীয়ামগী ঈহৌ

# মীওই ১৪ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা সী আর পি এফকী মথক্তা সী বি আইনা চত্থরকপা কেসকী 'ক্লোজর রিপোর্ট' কোর্টনা মৱা লৌদ্রে

### সী বি আইনা কেস অনীগী ইভিদেন্স লৈতে হায়দুনা থাগৎলকপা ক্লোজর রিপোর্ট কোর্টনা রিজেক্ট তৌরগা সী আর পি এফকী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট য়াওনা পর্সনেল ১৭কী মথক্তা কোগনিজেন্স লৌখ্রে

### সী আর পি এফকী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট য়াওনা পর্সনেল ২১ নবেম্বর ২৫দা কোর্টতা লাক্নবা সম্মন ইস্যু তৌগদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) :** গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা সিজফায়র তৌনদুনা পীস টোক চত্থরল্লিবা নাগালেন্দগী লালহৌলূপ এন এস সী এন - আই এমগা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মরক্তা জুন ১৪, ২০০১দা বেঙ্কোকতা পাঙথোকখিবা নাকল অনীগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াবা মীফমদা চৎনরকখিবা সিজফায়রগী ঙমখৈ অসিদা 'ৱিদাউথ টেরিটোরিএল লিমিট' হায়বা ৱাহৈ অহুম হাপচিল্লকপদগী মণিপুরগী মীয়াম্না ষ্টেট অসিগী ঙমখৈ কায়খিবা তারে হায়বগী মীপাইবা পোল্লদুনা হৌনরুবা তৌদনা জুন ১৮, ২০০১দা হৌরকখিবা অচৌবা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবগীদমক সী আর পি এফকী পর্সনেলশিংনা নোংমৈনা কাপ্পদা ঈরাং হৌরকখিবা নুমিৎতুমক্তদা মীওই ১৪ শিখিবা অমসুং মীওই কয়ানা অশোক-অপন নংহনখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা সী বি আইনা লৌখৎপা কেস অনীগী ইনভেষ্টিগেশনদা ইভিদেন্স ফংদে হায়দুনা কোর্টতা থাগৎলকপা কেস অনীদুগী ক্লোজর রিপোর্ট কোর্টনা মৱা লৌখিদ্রে, রিজেক্ট তৌখ্রে।



জুন ১৮, ২০০১দা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবশিংগী কেন্ত্রুপাৎতা লৈবা খুভমদা লৈ-শু কৎপা (ফাইল ফোটো)

জুন ১৮, ২০০১দা খঙহৌদনা হৌরকখিবা মশীং য়াম্লবা মীয়ামগী ঈহৌ অদুবু নমথনবগীদমক মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা দিপ্লোই তৌবা ১২১-সী আর পি এফ বট্টালিয়নগী অমসুং রাজ ভবনদা দিপ্লোই তৌবা ৪৮শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী পর্সনেলশিংনা নোংমৈনা কাপ্পদা লৈখিদবা মীওইশিং অদুগী মতাংদা সিটি অমসুং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশনদা তোঙান তোঙানবা কেস অমমম রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।



জুন ১৮, ২০০১দা হৌনরুবা তৌদনা হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌগী থৌদোক অমা (ফাইল ফোটো)

চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা নোংমৈনা কাপ্পদা মীশি-মীনা য়াওখিবা অদুগী মতাংদনা ইম্ফাল পি এসনা কেস এফ আই আর নম্বর ১৯০ (৬) ২০০১ লৌখৎখি অদুগা রাজ ভবনগী থৌদোক্কী মতাংদনা সিটি পি এসনা কেস এফ আই আর নম্বর ১২৮ (৬) ২০০১ লৌখৎখিবনি।

সিটি অমসুং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশনন মফম অনীসিদা থোকখিবা থৌদোক অনীগী মতাংদা কেস অমমম রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবদা নত্তনা থৌদোক অদুগী মতাংদা জষ্টিস উপেন্দ্র ইনক্কারি কম্মিশন ফাওবা শেমদুনা থিজিনখিবনি। অদুগা এক্সত্রা জুদিশল এগজিক্যুশন ভিক্টিমস ফেমিলিজস এসোসিএশন মণিপুর (ইফভম) না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা রিট পিটিশন (ক্রিমিনেল) নম্বর ১২৯ ওফ ২০১২ ফাইল তৌদুনা ৱাকৎলকপদগী লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিনা জন্যুৱারী ১৬, ২০১৮দা পীরকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশন (সী বি আই) না দিসেম্বর ৫, ২০১৮দা কেস নম্বর আর সী-বি এস টি/২০১৮/এস/০০৩৮ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

ইফভমনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলুবা অসিগী মতুংইন্না এপেক্স কোর্ট অসিনা জুলাই ১৪, ২০১৭তা পীরকখিবা দিরেক্সন অমদনা ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিশন ওফ ইনক্কারিনা মণিপুর পুলিস অমসুং সী আর পি এফনা অহেনবা ফোর্স নৎত্রগা লমন খুম্বগী থৌওং চথখি হায়বগী ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লে। কম্মিশনগী ৱাফমশিং অসি ইফভমগী কেস অসিদা মীওই ১১ শিখিবা য়াওনা পূন্না মীওই ৩২ শিখিবগা মরী লৈনৈ হায়রদুনা কোর্ট অসিনা প্রাইমা ফেসি কেস অমদগী হেন্না এফ আই আর কেসশিং রেজিষ্টর তৌনবা ওর্দর পীরকখিবনি।

লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো অমসুং রাজ ভবনদা থোকখিবা থৌদোক অনীগী মতাংদা সী বি আইনা অতোপ্পা কেস নম্বর আর সী-৩০ (এস)/২০১৮/এস সী-৩/ন্যু দেল্লী অন্দর সেক্সন ১৪৭/১৪৯/৩৫৩/৪২৭/১৮৮ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুবু এজেন্সী অসিনা নুমিৎ অদুগী সী এমগী বঙ্গলো অমসুং রাজ ভবনদা থোকখিবা থৌদোক অনীগী মতাংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# চুড়াচান্দপুরদা চঙজফম লৌরিবা আই দি পিশিংগী মনুংদা কাংপোকপীদগী লাঞ্জেল্লকপশিংনা খ্বাইদগী য়াম্লম্লে

### দিষ্ট্রিক্ট ১১দগী লাঞ্জেল্লকখিবা আই দি পি ২,১৭৯না মখোয়গী অমাঙ-অতা থোকখ্রবা য়ূম-কৈনচিংবগী 'দেমেজ এসেসমেন্ট হোম' শিং দি সীদা পীখৎলকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস):** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা থোরকখিবা চীং অমসুং তমগী ফূরুপ অনীগী তমথীরবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা ময়ূম-মকৈ য়াওনা মরল-মথুমশিং তুম্না মৈ থাদোকপীখিবদগী লৈফম লৈতবা খক্তা নত্তনা থৱায় হিংনবগীদমক তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরল্লিবা আই দি পিশিংগী মনুংদগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরল্লিবা আই দি পিশিংদা মখোয় মখোয়গী ময়ূম-মকৈনচিংবা অমাঙ-অতা থোকখিবগী 'দেমেজ এসেসমেন্ট ফোর্ম' পীখৎলক্লবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা খঙহনখিবগী মতুংইন্না পীখৎনরকপদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী লাঞ্জেল্লকখিবা আই দি পিশিংগী মশীংনা খ্বাইদগী হেল্লম্লে।

ৱাফম অসি ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ধারুলকুমার এসকী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

দি সীনা হায়, কাঙলূপ মশেলগী ঈরাংনা মরম ওইরদুনা অমাঙ-অতা থোকখিবশিংগী ভেরিফিকেশন অমসুং মখোয়দা কম্পেন্সেসন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মণিপুরগী লান মনুংদা লুট তৌখিবা খূৎশু-খূৎলায়শিং মীখল পাঙথোক্লগদবা বিহারদগী ফাগৎলে

**ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সী) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী লুট তৌখিবা খূৎশু-খূৎলায়শিং মীখল পাঙথোক্লগদবা বিহারদগী রিকোভর তৌরে হায়না নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সী (এন আই এ) গী মায়কৈদগী ঙরাং ফোঙদোরকখ্রে।

থৌদোক অসি এজেন্সী অসিগী মায়কৈদগী নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদগী বিহারদা খূৎশু-খূৎলায়শিং স্মগ্লিং তৌবগী খূৎপু অমা লৈরে হায়বা পাউদগী থিজিন-হুমজিনবগী থবক চত্থরুবদা অশেংবা ওইরমদুনা খূৎশু-খূৎলায়শিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

এন আই এগী মায়কৈদগী বিহারগী বৈশালি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মমাঙ চহী ২০২৪দা খূৎশু-খূৎলায় স্মগ্লিং তৌবগী কেসতা চেন্নবা মীওই অমগী য়ূমদা থি-হুম্বগী থবক চত্থবদা মণিপুরদগী লুট তৌরকপা খূৎশু-খূৎলায়শিং অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া রিকোভর তৌবা ঙম্বনি হায়রি।

এন আই এনা রেদ চত্থখিবা য়ূম অদুগী য়ূম্বগী মমিংনা সন্দিপ কুমার সিনহা এলিয়জ সোতুলালা কৌই হায়রি। মহাক্কী য়ূমদগী ফাগৎলবা খূৎশু-খূৎলায়শিংনা ৯ এম এমগী পিষ্টোল অমা, নোংমৈ অসিগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ১৮, পিষ্টোলগী মেগজিন অনী, ত্বেলভ বোরগী নোংমৈ অমা, নোংমৈ অসিগী মরূ ৩৫ অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ ৪.২১নি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা সিক্যুরিটিগী ওফিশল অমনসু মণিপুরদগী লুট তৌরকপা য়াম্লবা খূৎশু-খূৎলায়শিং মাঙজৌননা বিহার য়ৌরক্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়খি।

এন আই এনা সন্দিপকুমার সিংহগী য়ূমদা চত্থখিবা রেদ অদু মহাক্না নক্লবা বিকাসকুমার কৌবা খূৎশু-খূৎলায় য়োল্হোক-য়োনশিন তৌবদা চেন্নবা মীওই অমদগী খঙবা ঙম্লকপনি হায়রি।

হায়রিবা মীওই অসি এন আই এনা আর্মদ স্মগ্লিংগী মায়োক্তা লৌখৎপা কেস নম্বর আর সী - ১১/২০২৪/এন আই এ/দেল্লীদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## য়ু জি অনী ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশননা কোল্লিবা ময়াং ইম্ফাল অনী লোংবীদগী কে সী পি - পি দল্লিয়ু জিগী খাইদেম ইন্দ্রকুমার এলিয়জ লুখোইবা (৪৮) কৌবা কাদর অমা মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পি এসনা কোল্লিবা লমদুং অৱাং লৈকায়দগী মোইরাংথেম পাকপা এলিয়জ অথৌবা (৪৩) কৌবা আর পি এফ/পি এল এগী কাদর অমসু ফারে। মঙোন্দগী পোইন্ট ৩৬কী ইগনাইটর অনীগা কোন্নবা হেন্দ গ্রেনেদ অনী রিকোভর তৌরে হায়রি।

# দেঙ্গি লায়নাগী ফীভম অকিবা ফংলকপদগী মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশননা কেস ১ লৌখৎখ্রে

### কম্মিস্নর (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) অমসুং দিরেক্টর (হেল্থ সর্ভিসেস) দা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে

### অনৌবা পোজিটিভ কেস ১২৯ থেংনরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) :** মমাঙগী চহীশিংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা চৎলিবা চহী ২০২৫দা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা ফেরজোল অমসুং জিরিবামদা দেঙ্গিগী পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনদ্রবসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অমা লৈখিদবা য়াওনা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস মশীং অকিবা ফংনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা থা অসিগী ২৬তা 'ইন্দিয়া টুদে' না লায়না অসিগী মতাংদা 'দেঙ্গি কেসেস ইন মণিপুর ক্রোস ৩৩০০ মার্ক ইন ইম্ফাল ৱেষ্ট রিমেন ৱর্শ হিট' হায়বা হেদলাইনগী মখাদা রিপোর্ট তৌরকপদগী মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশননা সুও মোটুদা কোগনিজেন্স লৌরগা কেস নম্বর ৪৫/১৪/০/২০২৫ লৌখৎখ্রে।

কেস অসি মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) অমসুং দিরেক্টর (হেল্থ সর্ভিসেস) পু রেস্পোন্দেন্ট ওইহল্লগা মখোয় অনীগী মথক্তা লৌখৎখিবনি।

কম্মিশননা কেস অসি লৌখৎখিবগা লোয়ননা ঙসি এক্টিং চেয়রপর্সন কে খগেন্দ্রগী কোরমনা কেস অসি লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। অদুগা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট ১৯৯৩গী সেক্সন ১২ (এ) (বি) গী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না রেস্পোন্দেন্ট অনীমক্তা ঙসিগী কম্মিশনগী ওর্দর অসি ফংবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা কম্মিশননা পীবা ৱাফমশিংগা মরী লৈনবা রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে।

কম্মিশননা পীখৎলকউ হায়রিবা রিপোর্ট অসিদা য়াওরক্কদবশিংনা দিষ্ট্রিক্টশিংদা থেংনবা দেঙ্গিগী মশীং, ফগৎলকখ্রবশিং অমসুং লৈখিদ্রবশিং, ফোগ্গিং তৌবা য়াওনা লায়না অসিদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# পাবুং ইবোয়াইমা লৈখিদবগী ৯লক শুবা নীংশিং থৌরমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) :** মীয়াম্না ফাদর ওফ সোশল ৱার্কর হায়রগা খঙনখিবা পাবুং থৌনাওজম ইবোয়াইমা লৈখিদবগী ৯লক শুবা নীংশিং কুমওন থৌরম ঙসি পাবুং ইবোয়াইমা মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিন্দুনা এম দি য়ুদা পাঙথোক্লগা লৈখিদ্রবা মহাক্কী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নখ্রে।

'মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমদি মান্নবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ৮শুবা পে কম্মিশনগী টর্মস ওফ রিফরেন্স অয়াবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চেয়র লৌদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেট মীফম্না লৈবাক অসিগী এমপ্লোয়ীশিং অমসুং পেন্সনরশিংগীদমক নৌনা চৎনহনগদবা ৮শুবা পে কম্মিশনগী টর্মস ওফ রিফরেন্স (টি ও আর) বু অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ৮শুবা পে কম্মিশনগী টি ও আরবু অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা অনৌবা কম্মিশন অসি মথং চহী ২০২৬কী জন্যুৱারী ১দগী লৈবাক অসিদা চৎনহনবা হৌরবা য়াই। মসিনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ী লাখ ৫০ অমসু পেন্সনর লাখ ৬৯ লোমদা কান্নবা ফংহনগদৌরি।

# কুকি লালহৌলূপ অমনা ফূবদা ভিলেজ চীফ ১ শিরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) :** কুকি লালহৌলূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ কুকি নেশনল আর্মিগী কাদরশিংনি চিংনবশিংনা ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ময়ূমদগী ফারগা পুখিবা হেংলেপ সব দিভিজনগী মনুং চনবা খোনোম্ফাইগী চীফ মাংথাং হাওকিপ (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা জ ্যংসৈ হাওকিপপু ফাদুনা পুখিবা মীওইশিং অদুনা তমথীনা ফূরগা মহাক্কী খুলগী মফম অমদা থল্লম্বদগী হোস্পিটাল তম্না পুরকপগী লম্বীদা লৈখিদ্রে হায়রি।

# গভর্ণমেন্ট এদেদ কামখ্যা পেমতোন কোলেজ

## পুবা-থাংবা ঙল্লোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌদুনা অকি-অখং পীবিগনু : ওজাশিং




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) :** হিয়াংথাংদা লৈবা গভর্ণমেন্টকী এদেদ কোলেজ অমা ওইরবা কামখ্যা পেমতোন কোলেজদা পুবা-থাংবা ঙল্লোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌদুনা অকি-অখং পীবিগনু হায়না মহৈশঙ অসিগী ওজাশিং, নন-টিচিং ষ্টাফ অমদি মহৈরোয়শিংনা ঙসি ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী ওজা নুপী অমনা হায়, কুমজা ২০২৩দগী মণিপুরদা থোরল্লিবা ঈরাংসিনা এদ্যুকেশন সেক্টরদা অচৌবা চৈথেং ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# প্রসিদেন্টস রুলনা মণিপুরদা তংদু লৈতাহনবা অমসুং ফ্রী মুভমেন্ট তৌহনবা ঙমদ্রে : লাইশ্রম সোতিনকুমার

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) :** সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্তা থবক তৌরিবা এমপ্লোয়ীশিংগী দি এ চাং মান্নহনবগা লোয়ননা সর্ভিসকী মতম শাংদোকহনবা অমসুং অরিবা পেন্সন স্কিম চৎনহল্লু হায়বগী দিমান্দ কয়া তাল্লল্লিবা অসিবু তকশিল্লদুনা মথং থাগী ৪দা এমপ্লোয়ীশিংনা পেন দাউন ষ্ট্রাইককী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা লাউথোকখ্রে।

ঙসি ইরাবত ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, এ আই টি য়ু সী, মণিপুরগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্নরে। মরূ ওইনা মে ৩, ২০২৩দগী থোরকখিবা লান অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্নরক্লিবা




অমসুং মশাগী মরমদমদা রিফ্যুজি ওইনা আই দি পি লিশীং ৫০ রোম লৈরি। অদুগা য়ূম লিশীং ৩ হেনবগী মথক্তা মৈ থাদোকখ্রবনি। লাঞ্জেন্নরিবা মহৈরোয়শিং লাইরিক-লাইশু নীংথিনা তম্বা ফংদ্রি। ফ্রী মুভমেন্টসু য়াদবনা দ্রাইভর লিশীং কয়া মখূৎ হাঙদুনা লৈরক্লি। মখোয়গী শেন্থোক লম্বী থদৎপীবগা লোয়ননা অৱাবা মায়োক্নহল্লি। লৌমী-শিন্মী অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### চহী ৪গী নুপীমচা অমদা কারন তৌরুবা মীওই কোর্টনা কনভিক্সন পীরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ৮ লোমগী মমাঙ ওক্টোবর ৯, ২০১৭তা মতমদুদা মশাগী চহী ৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমদা কারন তৌরুবা মীওই অমগী মথক্তা পুলিসনা লৌখৎপা কেসতা য়ুম্ফম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### সেরিকলচর কৃষি মেলা কম এগজিবিশন

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩০দা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলসকী সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্দ-রিজনেল সেরিকলচরেল রিসর্চ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫